

এফ সি গোৱানা হায়দরবাদ এফ সিবু অথেংবদবা চনখিবা পাঞ্জল ২না মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবদা লৈখ্রে

2nd Jan, Saturday (44th Match)
Mumbai City FC
vs
Kerala Blasters FC
Time : 7:30 PM

গোৱাগী কীপর মণিপুর মচা মুহম্মদ নৱাজনা হায়দরবাদকী মায়কৈদগী কাওশিল্লকখিবা বোল ফাখিবা

ভাস্কোদাগমা, দিসেম্বর ৩০(এজেন্সী): ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা ৪৩শুবা মেটচ অমদা এফ সি গোৱানা হায়দরবাদ এফ সিবু অথেংবদা চনখিবা পাঞ্জল ২না মরম ওইদুনা ২-১দা থোইরগা টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা অহুমশুবা থাক্তা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

ঙসি গোৱাদা লৈবা ভাস্কো দা গমা সিটিদা লৈবা টিলক মাইদান ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অদু হৌরকপদা টিম অনীম্মক য়াম্না মান্নবা মওংদা লৈখি। অহানবা হাফ অদু পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। নীংশিংবা য়াই, এফ সি গোৱানা মমাংদী মেটচ ৮ শান্নবদা মেটচ ৩ মায়পাক্লগা মেটচ অনী দ্রো চৎখিবা অমদি মেটচ৩ মায়থীবা নংদুনা পোইন্ট ১১ ফংলগা ৫শুবা পোজিসন্দা লৈখি।

অমরোমদা হায়দরবাদ এফ সি মেটচ ৭ শান্নখিবদা অনী মায়পাক্লগা মেটচ ৩ দ্রো চৎতুনা অমদি অতোপ্পা মেটচ ২ মায়থীবা নংদুনা পোইন্ট ৯ ফংলগা ৮শুবা পোজিসন্দা লৈখিবনি। ঙসিগী মেটচ অদুগী অহানবা হাফ পাঞ্জল চন্নবা ঙমখিদবদগী অনীশুবা হাফতা টিম অনীগী মায়কৈদগী মায়পাক্লনবা শান্নরকখি। মিনট ১০ হেঞ্জিল্লক্লবা ফাওবা পাঞ্জল চনবা ঙম্মখিদে।

শান্নবগী মিনট ৫৮শুরকপা মতমদা হায়দরবাদ এফ সিগী মায়কৈদগী আসিস রাইনা পীরকপা বোল অমদা অরিদেননা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা এফ সি গোৱাবু ১-০দা হেন্দুনা লৈখি।

মেটচ লোইগদবা মতম য়ামশিল্লক্লবদা গোৱাগী মায়কৈদগী ইদু বেদিয়ানা পীরকপা বোল অমদা ইশান পন্দিতানা ইক্বেলাইজর অদু চন্দুনা মান্নবা ঙমখি। মখাতারকপা মিনট ৯০ শুরকপা মতমদা এফ সি গোৱাগী মায়কৈদগী অলবর্টো নোগ্বেরানা ফংখিবা বোল অমা য়াম্না মফম চানা খাইদোরকপদা টিমমেট আইগোর অনগুলোনা পাঞ্জল চন্দুনা হায়দরবাদ এফ সিবু ২-১দা হেনখি। ইঞ্জুরি টাইমদা হায়দরবাদ এফ সি পাঞ্জল চনবা ঙমখিদবদগী মায়থীখি।

Pos	Team Name	P	W	D	L	F	A	GD	PTS
1	ATK Mohun Bagan FC	8	5	2	1	8	3	5	17
2	Mumbai City FC	7	5	1	1	11	3	8	16
3	FC Goa	9	4	2	3	12	10	2	14
4	Jamshedpur	9	3	4	2	10	9	1	13
5	Bengaluru FC	8	3	3	2	11	9	2	12
6	Northeast United FC	8	2	5	1	10	8	2	11
7	Chennaiyin FC	8	2	4	2	7	7	0	10
8	Hyderabad FC	8	2	3	3	7	10	-3	9
9	Kerala Blasters FC	7	1	3	3	8	11	-3	6
10	East Bengal Club	7	0	3	4	5	13	-8	3
11	Odisha FC	7	0	2	5	5	11	-6	2

ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কি টিম্না ইন্টরনেসনল মেটচশিং মখাতানা শান্নরকপদা জন্যুৱারী থাদা অর্জেন্টিনাগী টুরনা হৌরগনি

মেটচ মায়পাক্লবা মতুং ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কি শান্নরোয়শিংনা ভাবকশিংদা থাগৎপা ফোংদোকখিবা (ফাইল)

ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ৩০(এজেন্সী): ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কি টিম্না কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা চহী অমরোম ইন্টরনেসনল মেটচ শান্নবা ঙমখিদ্রবা মতুং মথং চহীদা অহানবা ওইনা জন্যুৱারী থাদা অর্জেন্টিনাগী টুর অদুনা মখা তাবা ইন্টরনেসনল মেটচশিং ওইরগনি।

শান্নরোয় ২৫ অমসুং সপোর্টষ্টাফ ৭না শাবা ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কি টিম্না অর্জেন্টিনাগীদমক জন্যুৱারী ৩দা ন্যু দেল্লি থাদোক্কদৌরি। ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কি টিম অদুনা অর্জেন্টিনাগী জুনিয়র হোক্কি টিম অমসুং লৈবাক অদুগী নেসনল ‘বি’ টিমগা ৱার্ম-অপ মেটচ ৪ শান্নগনি। মদুগী মতুং টিম অদুনা জন্যুৱারী ২৭তগীনা ফেব্রুৱারী ১ ফাওবা টেষ্ট মেটচ ৪ শান্নগনি।

রাণি রামপালনা লুচিংলিবা ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কি টিম অসিনা ইকোন কোন্না শান্নখিবা ইন্টরনেসনল হোক্কি মেটচ অদু চহী অসিগী ফেব্রুৱারী ৫দা ন্যু জিলেন্দদা মেটচ অহুম শান্নবদা মেটচ ৩-০দা থোইখিবা অদুনা ওইরি।

হোক্কি ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না টিম কেপ্টেন রাণি রামপালনা ফোংদোকখিবদা টেকিও ওলিম্পিক গেমসকী শেম শাবা ওইনা নুমিৎ ২০০ রোমতা ঙাইরবনি। মরম অদুনা থাক ৱাংবা টিম অমা ওইরিবা অর্জেন্টিনাগী টিমগা শান্নবা ফংগদৌরিবা অসি টিম অসিগী ওইনদি য়াম্না তাঞ্জা চাবা অমসুং লাইবক ফবনি হায়খি।

রাণি রামপালনা মখাতারদুনা ফোংদোকখিবদা থা ৫ রোম বেঙ্গলুরুগী স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী সেন্টরদা নেসনল কোচিং কেম্প অমা পাঙথোকখ্রবা মতুং অর্জেন্টিনাগী এক্সপোজর টুর অদুনা টিম অসিগী ওইবা কদাই ফাওবা ফিৎ ওইরবগে হায়বদু খঙদোকপা ঙম্লগনি হায়খি। টিম অসিগী শান্নরোয় খুদিংমক অর্জেন্টিনাগী টুর অদুগী মেটচশিংগীদমক খৌরাংনা ঙাইদুনা লৈরি হায়খি। ইন্টরনেসনল হোক্কি ফেদরেসনগী মায়কৈদগী মকোকমথং তাবগী পরিংদা ইন্দিয়াগী নুপীগী টিম অসি ৯শুবা পোজিসন্দা লৈরিবনি। অমরোমদা লৈবাক অসিগী নুপাগী টিম্না ৪শুবা থাক্তা লৈবা ঙল্লি।

ইন্দিয়াগী নুপীগী টিম অসিনা অর্জেন্টিনা য়ৌরবা মতুংদা ক্বারিন্টিন তৌবগী মথৌ তারোই। মদুগী মহুত্তা য়ুম্নু লৈবাক অদুগী টিম অমসুং ইন্দিয়াগী টিম অনী পুন্না বাও-সেক্যুর ববলদা লৈবগী কাংলোন অমা লৈরি। টিম অদুনা অর্জেন্টিনা য়ৌরবা মতুং হোটেল অমদা লৈদুনা চান্ন-থক্লবা অমদি তোঙান-তোঙানবা লৈফম অমসুং শান্নবগী প্রেক্টিস তৌফমসু পীগদৌরি। টিমগী মেম্বর পুম্নমক ন্যু দেল্লি থাদোকট্রিঙৈ পূং ৭২ ৱাৎলিঙৈদা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌগদৌরি।

সিন্ধুগীনা অনোপ্পা অদুগা সাইনাগীনা অরিংবগা থেংনরগনি

ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ৩০(এজেন্সী): থাইলেন্দনা য়ুম্মু ওইরগা জন্যুৱারী ১২দগী হৌগদৌরিবা য়োনেক্স থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা শরুক য়াগদৌরিবী ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান শান্নরোয় পি ভি সিন্ধুনা অনোপ্পা শান্নরোয়শিংগা হৌরকপদা থেংনরগনি। অদুবু অতোপ্পা শান্নরোয় সাইনা নেহৱালদি মহাক্কী গ্রুপতা অরিংবা শান্নরোয়শিংগা লম্বা তৌগদৌরি।

কুমজা ২০২০ অসিদা বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসনগী মখাদা পাঙথোকখিবা ইভেন্ট অনীখক ওইখিবা দেনমার্ক ওপন অমসুং সার্লোরলুক্স টুর্নামেন্ট অদুদা সিন্ধু অমসুং সাইনা নেহৱাল শরুক য়াখিদবনি। চহী অসিগী ওইনা টুর্নামেন্ট অদুনা ইন্টরনেসনল ইভেন্টকী ওইনা কোভিদ-১৯ মতুংদা লোইশিনখি। জন্যুৱারী ১২দগী ১৭ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা য়োনেক্স থাইলেন্দ ওপন টুর্নামেন্টকী অহানবা রাউন্দদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন সিন্ধু দেনমার্ককী মিয়াগা থেংনগনি। অদুগা সাইনানা জপানগী ওকুহারাগা শান্নরগনি।

টোকিও ওলিম্পিক্সতা গোল্ডগী মঙলান থল্লিবা বিকাস কৃষননা বোক্সিং অসি মালেমদা আর্ট মখল অমনি হায়না উৎকদৌরি

অহুম্লকশুবা ওলিম্পিক্স শরুক য়াগদৌরিবা ইন্দিয়াগী বোক্সর বিকাস কৃষননা য়েৎকী কিন থিনবা (ফাইল)

ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ৩০(এজেন্সী): কুমজা ২০২১দা জপাননা য়ুম্মু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা চহী অমা য়েথোকখ্রবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়াদুনা মশাগী করিয়ারদা অহুম্লকশুবা ওলিম্পিক গেমস শরুক য়াগদৌরিবা বোক্সর বিকাস কৃষননা ওলিম্পিক গেমস অদুদা গোল্ড মেদল ফংনবগী অচৌবা মঙলান অমা থল্লিবা বিকাস কৃষননা মালেমদা বোক্সিং মশান্না অসি আর্ট মখল অমনি হায়না উৎপা পাল্লি।

বিকাস কৃষননা টোকিও ওলিম্পিক গেমস শরুক য়াদুনা ইন্দিয়াগী ওইবা বোক্সর অমনা ওলিম্পিক্সতা অহুম্লক শরুক য়াবা ঙম্বা অদু অনীরকশুবা বোক্সর ওইগদৌরিবনি। মমাংদা কুমজা ২০০৮দা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমসতা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখ্রবা বোক্সর বিজেন্দর সিংহনা ইন্দিয়াগী অহানবা বোক্সর ওইনা ওলিম্পিক্স অহুম শরুক য়াবা ঙমখি।

মশাগী চহী ২৮শুরবা বিকাস কৃষননা হৌখিবা থা খরা অসিদা য়ুএস এদা কোচ রোনাল্ড সিম্সকী মখাদা অকনবা ট্রেনিং চথুরুরবা মতুং ইন্দিয়াদা হল্লকখি। টোকিও ওলিম্পিক্সকীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রবা বিকাস কৃষননা ফোঙদোকখিবদা, মহাক্কী অমত্তা ঙাইরবা পান্দমদি টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী গোল্ড মেদল লৌবা অদুনি হায়খি।

হৌজিক-হৌজিক লৈরিবা ইন্দিয়াগী বোক্সিং টিমগী ওইনা ফোঙদোকখিবদা অমিট পঙ্ঘল অমসুং মনিশ কোসিককুম্বা ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা মেদল ফংবা ঙমখ্রবা বোক্সরশিং অসিগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী টিম অসি য়াম্না মপাঙ্গল কল্লি হায়খি। বিকাস কুমজা ২০১০গী এসিয়ন গেমসতা গোল্ড মেদল ফংখি। লোয়ননা ২০১৮গী কমনৱেল্থ গেমসতসু গোল্ড মেদল ফংখ্রবনি।

‘খ্বাইদগী শাফবা বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ওইরগনি’

বেঙ্কোক, দিসেম্বর ৩০(এজেন্সী): চাইনানা শরুক য়াররোই হায়না ফোংদোরকপগী মতুংইন্না বেদমিন্টন এসোসিএসন থাইলেন্দগী প্রসিদেন্ট পটামা লিৱাদট্রাকুলনা ফোঙদোকখিবদা, লৈবাক অদুদা পাঙথোক্কদৌরিবা টুর্নামেন্ট অহুম অদুনা খ্বাইদগী শাফবা টুর্নামেন্ট ওইরগনি হায়না ঙসি হায়খ্রে।

চহী অসিগী মার্চ থাদগী এসিয়াদা ইন্টরনেসনল বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অমত্তা পাঙথোক্তনা লাকখিবা অদু জন্যুৱারী ১২দগী লৈবাক অদুগী কোনুং বেঙ্কোক্তা টুর্নামেন্ট পাঙথোক্কদৌরিবা অদুদা চাইনানা কোভিদ-১৯গী অথিংবা লৈবা মরম্না লৈবাক অদুগী শান্নরোয়শিং অমত্তা শরুক য়ারোইদবা মরম্না টুর্নামেন্ট অসিগী দ্রোশিংদা চাওনা অহোংবা লাক্লি।

চাইনাগী মায়কৈদগী নুপাগী ওলিম্পিক্স চেম্পিয়ন সেন লোং অমসুং নুপীগী ৱর্ল্ড নম্বর টু শান্নরোয় সেন য়ুফৈ শান্নবা য়ারোইদৌরিবনি। চাইনানা লৈবাক অদুগী বেদমিন্টন শান্নরোয় খক্তা নৎতনা অতোপ্পা ইভেন্টশিংগী শান্নরোয়শিংসু লৈবাক অদুদগী চৎলগা শান্নবা য়াবগী অয়াবা পীখিদবনি।

বেঙ্কোক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা য়োনেক্স থাইলেন্দ ওপন, টোয়োটা থাইলেন্দ ওপন অমসুং ৱর্ল্ড টুর ফাইনেলস টুর্নামেন্ট অহুম অসিদা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মমিং লৈরবা শান্নরোয়শিংনা শরুক য়াদুনা বাইও সেক্যুর বব্বলগী খূদোংচাবা থমদুনা শান্নগদৌরিবনি।

থাইলেন্দ লৈঙাক্লা শান্নরোয়শিং অদু লাকপা মতমদা মখোয়না হেক থুংলবগা আইসোলেসনদা থমদুনা হকশেলগী মতাংদা চিংনবা অমত্তা লৈহল্লোইদবা খ্বাইদগী শাফবা টুর্নামেন্ট অমা ওইহনগনি হায়না পটামানা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা ৱোল্‌ভরহেমটন ৱান্দরর্স থোইদুনা ২শুবদা লৈখ্রে

লন্দন, দিসেম্বর ৩০ (এজেন্সী): ইংলন্দদা শান্নরিবা মালেমগী মমিং লৈরবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অমদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা ৱোল্‌ভরহেমটন ৱান্দরর্সপু পাঞ্জল ১-০দা থোইদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা অনীশুবা থাক্তা লৈখ্রে।

মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা য়ুম্মু ওইদুনা মখোয়গী হোম গ্রাউন্দ ওল্ড ত্রাফোর্দতা শান্নখিবা মেটচ অদু টিম অনীম্মক য়াম্না লম্বা মান্নদুনা অহানবা হাফ অদুদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙম্মখিদে।

নীংশিংবা য়াই, মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা মমাংদা শান্নখিবা মেটচ ১৪দা পোইন্ট ২৭ ফংলগা ৪শুবা পোজিসন্দা লৈখি। অমরোমদা ৱোল্‌ভরহেমটন ৱান্দরর্সনা মখোয়গী মেটচ ১৫ শান্নবা লোইশিনখিবদা পোইন্ট ২১ ফংলগা ১২শুবা পোজিসন্দা লৈখিবনি।

ঙরাং অথেংবগী মেটচ অদুদা অহানবা হাফ লোইশিনবা ফাওবা পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা লৈখিবা অদু অনীশুবা হাফকী অয়াম্বা মতম লোইশিল্লকপা ফাওবদা পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা লাকখিবা অদু মেটচকী ইঞ্জুরি টাইমগী ৪শুবা মিনটতা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী চথুরকখিবা এটেক অমদা ব্রুনো ফার্নান্দেজনা পীরকপা বোল অমদা মার্কস রাসফোর্দনা মেটচ অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা মায়পাকপা ঙমখি।

ঙরাং শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা লীদস য়ুনাইটেদনা ৱেষ্ট ব্রোমৱিস অলবিওনবু য়াম্না হেনবা মওংদা পাঞ্জল ৫-০দা থোইবা ঙমখি। অদুগা অর্সনেলনা ব্রাইটন এন্দ হোব অলবিওনবু পাঞ্জল ১-০দা থোইখি। লোয়ননা বর্নলেনা শিফিল্ড য়ুনাইটেদপু ১-০দা মায়থীবা পীখি।

লিভান্টেনা রিয়াল বেটিস এফ সিবু পাঞ্জল ৪-৩দা থোইবা ঙমখ্রে

মাদ্রিদ, দিসেম্বর ৩০ (এজেন্সী): স্পেনদা পাঙথোকপা ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওইরিবা লালীগাগী ১৫শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা লিভান্টেনা রিয়াল বেটিসপু পাঞ্জল ৪-৩দা থোইবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা লিভান্টেনা য়াম্না হেন্দুনা পাঞ্জল ৩-১দা হেন্দুনা লৈখি। য়াম্না ঙল্লিঙৈ মেটচকী ২শুবা মিনটতা লিভন্টেগী ওস্কার দ্বার্টেনা টিমমেট ফ্রুটোসনা পীরকপা বোল অমদা অহানবা পাঞ্জল চনখি। রিয়াল বেটিসকী মায়কৈদগী আইসা মান্দিনা শান্নবগী ১২শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজর অদু চনবা ঙমখি।

লিভান্টেগী জোস মোরালেসনা শান্নবগী ২২শুবা অমসুং ২৪শুবা মিনটতা য়াম্না থুনা পাঞ্জল ২ চন্দুনা মেটচ অদুগী অহানব হাফ লোইশিল্লকপদা পাঞ্জল ৩-১দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ লিভান্টেগী মখাতারকপা এটেক অমদা রোজরনা টিম অদুগী ৪শুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

রিয়াল বেটিসকী মায়কৈদগী সর্জিও কানেলসনা মেটচকী ৭৮শুবা মিনটতা পেনাল্টি অমগী মতেংনা টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল চল্লবা মতুং ৮৬শুবা মিনটতা টিমমেট জোন মিরান্দানা পীরকপা বোল অমদা ৩শুবা পাঞ্জল চনখ্রবা মতুং টিম অদু ইক্বেলাইজর চনবা ঙমদনা ৩-৪দা মায়থীহৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অমদা বর্সেলোনা অমসুং আইবারগী টিম পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখি। অদুগা অতোপ্পা মেটচ অমদনা সেভিয়ানা ভিলারিয়ালবু পাঞ্জল ২-০দা থোইবা ঙমখি। ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা গ্রনাদানা ভেলেন্সিয়াবু ২-১দা থোইখি।

আই সী সী ৱর্ল্ড টেষ্ট চেম্পিয়নশিপকী রেঙ্কিংদা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিম অনীশুবা পোজিসন্দা লৈরি

দুবাই, দিসেম্বর ৩০ (এজেন্সী): মালেমগী ওইবা ক্রিকেট মশান্নগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লুপ ওইরিবা ইন্টরনেসনল ক্রিকেট কাউন্সিল(আই সী সী)না ফোঙদোকখিবা ৱর্ল্ড টেষ্ট চেম্পিয়নশিপকী মকোকমথং তাবগী পরীংদা ইন্দিয়াগী টিম অনীশুবা পোজিসন্দা লৈবা ঙল্লি।

ঙসি দুবাইদগী আই সী সীনা ফোঙদোরকখিবা খ্বাইদগী নৌবা ৱর্ল্ড টেষ্ট চেম্পিয়নশিপকী মকোক মথং তাবগী পরিংদা হন্দক্তা ইন্দিয়ানা ওষ্ট্রেলিয়াবু ৱিকেট ৮দা থোইবা ঙমখিবা অদুনা পুন্না পোইন্ট ৩০ ফংলগা অপুনবা পোইন্ট ৩৯০ ফংদুনা পর্সেন্টেজ ওফ পোইন্টসতা ৭২.২ ফংলগা অনীশুবা পোজিসন্দা লৈবা ঙল্লিবনি। অমরোমদা ওষ্ট্রেলিয়ানা পোইন্ট ৩২২ ফংবগা লোয়ননা পার্সেন্টেজ ওফ পোইন্টসতা ৭৬.৬ ফংলগা অহানবা পোজিসন্দা লৈবা ঙল্লিবনি।

হন্দক্তা ন্যু জিলেন্দনা পাকিষ্টানগা শান্নখিবা টেষ্ট মেটচ অমদা রন ১০১দা থোইবা ঙমখিবা অদুনা টিম অদুনা পোইন্ট ৬০ ফংবা ঙমখিবগা লোয়ননা পার্সেন্টেজ ওফ পোইন্টসতা ৬৬.৭ ফংলগা অহুমশুবা পোজিসন্দা লৈবা ঙল্লি। আই সি সিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবা পোইন্ট টেবল অদুদা ন্যু জিলেন্দনা অহুমশুবা পোজিসন্দা লৈখিবা অদুনা ৱর্ল্ড টেষ্ট চেম্পিয়নশিপকী ফাইনেল য়ৌবা য়াবগী তাঞ্জা অমদি লৈরি।

নীংশিংবা য়াই, আই সী সী ৱর্ল্ড টেষ্ট চেম্পিয়নশিপ্তা পোইন্ট খ্বাইদগী ৱাংনা লৈবা টিম অনীনা ফাইনেল শান্নগদৌরিবনি। ইংলেন্দ অমসুং পাকিষ্টাননা পোইন্ট টেবলগী মরিশুবা অমসুং মঙাশুবা থাক্তা লৈবা ঙল্লি।

টেষ্ট লীগ টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা সেরিজ অমা মায়পাকপদা টিম অদুনা পুন্না পোইন্ট ১২০ ফংগদৌরিবনি। পোইন্ট মশিং ফংবদদি ইন্দিয়ানা খ্বাইদগী হেন্দুনা লৈরিবনি। অদুবু আই সি সিনা পোইন্ট সিষ্টম অসি হোংদোকখিবা মরম্না পার্সেন্টেজ পোইন্টনা রেঙ্কিংগী সিষ্টম ওইরিবনি।

মোইরাং চেঙ্গৈ লম্পাক ফ্লদ লাইট ফুটবোল গ্রাউন্দ শঙ্গাখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর৩০ (ঐচএনএস): দি চেঙ্গৈ লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্স মেনেজমেন্ট কম্মিটিনা শীন্দুনা লোকল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দদগী লুপা লাখ ১৫ লোকল এম এল এ, পি শরতচন্দ্রগী লন্নাই পোকেটতগী অৱাৎপা লুপা লাখ ৩৫ অপূনবা শেনফম লুপা লাখ ৫০ চঙনা নৌনা শেমগৎপা ‘চেঙ্গৈ ফ্লদ লাইটেদ ফুটবোল গ্রাউন্দ’ মোইরাং চেঙ্গৈ লম্পাক মীয়ামদা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর এস রাজেননা শঙ্গাদুনা মীয়ামদা খুৎশিন্নখ্রে।

ঙসিগী শঙ্গাবগী থৌরম অদুদা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর এস রাজেন, মোইরাং নিংথৌ কে ইবোহল, মোইরাং এ সীগী এম এল এ, পি শরতচন্দ্র, এম এল এ ওইনাম এ সী এন্দ চ্যেরমেন এম পি সী বি এন্দ কে ভি আই বি, এল রাধাকিশোর, থাঙ্গ এ সীগী এম এল এ ওইবতা নত্তনা পি দি এগী চ্যেরমেন টি রোবিন্দ্রো, মোইরাং ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী চ্যেরপর্সন এম রোমিবালা, ক্বাক্তা ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী চ্যেরপর্সন মনিরঞ্জন, থিনুঙৈ জিলা পরিষদ মেম্বর ও জয়চন্দ্রনা মরু ওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমগা মরী লৈননা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা মিনিষ্টর এস রাজেননা হায়খিবদা মোইরাং অসি নৈনরুবা মতমদা মণিপুরগী পুৱারীগা তৎন-থানবা য়াদ্রবা মফম অমা ওইদুনা লাকপগা লোয়ননা হীরম খূদিংমত্তা শীংথানিংঙাই ওইরবা মফম অমনি। ঙসিদি মফম অসিদা মতমগা চুনরবা ফ্লদলাইট থানবা গ্রাউন্দ অমা শেমগৎপা ঙম্বা অসিমক মীয়ামগী লাইবক ফবনি।

লম্পাক অসি শেমগৎলকপা অসিনা মোইরাং খক্তা নত্তনা টিদ্দিম লম্বীদা লৈরিবা মীয়ামদা শান্ন-খোৎনবগী খুদোংচাবা পীরগনি। মণিপুরগী আর্ট এন্দ কলচরনা শক তাক্লম্বদগী ঙসিদি স্পোর্টসসু অমুক হাপচিল্লক্তুনা ইন্দিয়াদা অচৌবা মফম অমা কনবা ঙমদুনা শান্ন-খোৎনবগী লমদা ইন্দিয়াগী অচৌ অচৌবা এৱার্দ কয়া ফংবা ঙল্লে। ইন্দিয়া গবর্ণমেন্ট অমসুং মণিপুর গবর্ণমেন্টনা অফবা শান্নরোয় কয়াদা গবর্ণমেন্টকী থবক কয়া পীদুনা পূক্নিং থৌগৎপগা লোয়ননা হেন্না শকখঙনবীরি। মরম অদুনা লম্পাক অসি শেমগৎলকপগা লোয়ননা লমদম অসিদগী হান্নদগী হেন্না ফবা নেসনল অমদি ইন্টরনেসনলগী থাক্তা পুথোক্তুনা লমদম অসিগী মায় পুরকপা ঙম্লগনি। হান্নদগী লৈরক্লবা মোইরাং হায়দুনা পুৱারীদা য়াওরিবা অসিদগী অমুক্কা হেন্না মমিং চৎপা লমদম অমা ওইরগনি হায়খি।

রবিসঙ্কর মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ৩০ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা)গী জেনরেল সেক্রেটরি এল জ্যোটিরমোই রোইনা ঙসি ফোঙদোরকখিবা ৱারোল অমগী মতুংইন্না চিংথাম রবিসঙ্করনা ওনলাইনদা পাঙথোকখিবা ফিফা দিপ্লোমা ইন ফুটবোল মেদিসিন অমসুং ফিফা হাইজিন ইমপ্লিমেন্টেসন ওফিসর্স মোদ্যুল মায় পাক্লা শরুক য়ারগা লোইশিনখ্রে। হায়রিবা ওনলাইন কোর্সশিং অসি মালেমগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোলগী লূপ ওইরিবা ফিফা (ফেদরেসন ইন্টরনেসনল দি ফুটবোল এসোসিএসন)না পাঙথোকপনি। অম্ফানা রবিসঙ্করবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com